# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, THURSDAY, FEBRUARY 27, 2020 PAGE 7**




*আই সি সি টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি ইন্থরল্লগা নম্বর ৱান পোজিসন্দা হাইগৎখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভ স্মিথ*

*চহী ১০১ শুরবা ন্যু জিলেন্দ ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টতা অহানবা নুপী গোল্ফর ওইনা শরুক য়ারিবা পরনিল্লা লিন্দবর্গ*



## সোনম মালিকনা সাক্সীবু মায়থিবা পীদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী মফম কনবা ঙমখ্রে

*লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

উত্তর প্রদেশকী সিটি লক্ষেনৌদা পাঙথোকখিবা নেসনেল রেষ্টলিং ত্রাইয়েলসতা কেজি ৬২ গী কেটেগোরিদা সোনম মালিকনা ওলেম্পিক মেডালিষ্ট সাক্সী মালিকপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে।



লক্ষনৌদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনেল রেষ্টলিং ত্রাইয়েল অসিগী নুপীগী কেজি ৬২ গী ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড কেডেট চেম্পিয়ন সোনম মালিকনা ওলেম্পিক মেডালিষ্ট সাক্সী মালিকপু মায়থিবা পীদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কেজি ৬২গী কম্পিটিসন অসিদা রেষ্টলর ৯ না লম্বা তৌনখি। রেষ্টলরশিং অসিগী মনুংদা কুমজা ২০১৮ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট পুজা ধান্দাসু য়াওখি।

মশাগী চহী ১৮ শুরবী সোনম মালিকনা অহানবা রাউন্দদা রাধিকাবু মায়থিবা পীখি। অদুগা সেমি ফাইনেলদা কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ গোল্ড মেডালিষ্ট সরিতা মোরবু পোইন্ট ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।

সোনম মালিক মাদিনাদা লৈবা নেটাজি সুভাস চন্দ্র বোস স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা কোচ অজমর মালিক্কী মখাদা ত্রেনিং চথরিবনি। সাক্সী মালিকপু মায়থিবা পীবা অসি নহা ওইরিবা রেষ্টলর অসিগী য়াম্না চাওনা মায় পাকপা অমনি। মহাক রোমদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ্তা খূৎনিং শোকখিবা অদু মপুং ফানা ফগৎপা ঙমদ্রি অমসুং মপুং ফানা ত্রেনিং তৌবা ঙমদ্রিবনি হায়না কোচ অজমরনা ফোঙদোকখি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না রেষ্টলরশিং অসিগী পার্ফোমেন্স অসি পেন দবদগী নৌনা ত্রাইয়েল অমুক পাঙথোকখিবনি। নৌনা ত্রাইয়েল পাঙথোকখিবা কেটেগোরিশিং অদুদি নুপীগীদা কেজি ৬২ অমসুং ৭৬নি। অদুগা গ্রেকো রোমা ষ্টাইলদা কেজি ৬০ নি। কেজি ৭৬ গী ত্রাইয়েল বাওটতা কিরননা মায় পাকখি।

এসিয়ান ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসি কিরগিষ্টানগী সিটি বিসকেক্তা মার্চ ২৭ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। কেটেগোরি খূদিংমক্তা ফাইনেল য়ৌবা রেষ্টলরশিং টোকিও ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

## ম্যুচেন্না চেলসিবু ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বী শেমখ্রে, বার্সেলোনা অমসুং নাপোলি দ্রো চৎখ্রে

*লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুচেন্না ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বী শেমখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং ইটালিগী ক্লব নাপোলি গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।



লন্দনদা লৈবা ষ্টামফোর্ড ব্রিজ ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু টিম চেলসি অমসুং জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুচেন্না শান্নখিবা য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্নানা শান্নরকখি।

টিম অনীগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মথৌ খঙনা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মেটচকী মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনিটতা বেয়র্ন ম্যুচেনগী শান্নরোই রোবার্টো লিৱান্দোস্কীনা পীরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট থোমাস মুল্লরনা হেদ্দিং তৌশিনবদা ক্রোস বার মথক্তা য়াম্না নক্না চৎখিবদগী গোল একাউন্ট হাং দোকপা ঙহৌখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী ভিজিটর টিম ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুচেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা চেলসিগী শান্নরোইশিং দা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোবার্ট লিৱান্দোস্কীনা চেলসিগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট সর্গে নাব্রিনা মেটচকী অহানবা গোল চনশিনবা ঙমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

বেয়র্ন ম্যুচেন্না গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনিট ৩ লৈরগা টিম অসিনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা রোবার্টো লিৱানে দাস্কীনা পীরকপা পাস অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা সর্গে নাব্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চেলসিগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা থমখি।

গোল শোথরিবা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা অনৌবা লাল্লোং শীন্দুনা বেয়র্ন ম্যুচেনগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদু বেয়র্ন ম্যুচেনগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

চেলসিগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা গোলশিং অদু হনে দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭৬শুবা মিনিটতা বেয়র্ন ম্যুচেনগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা রোবার্ট লিৱান্দোস্কীনা টিমমেট অলফোন্সো দেভিসকী মতেংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চেলসিনা খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপগী খুদোংচাবা ফংখিদে। নাকল অমরোমদা বেয়র্ন ম্যুচেনগী শান্নরোইশিংনসু অহেনবা গোল চনখিবা ঙমখিদবদগী য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অসি জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুচেন্না ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বী শেন্বা ঙমখ্রে।

বেয়র্ন ম্যুচেন অমসুং চেলসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ বেয়র্ন ম্যুচেন্না য়ুম্বু ওইদুনা ম্যুনিক্তা মার্চ ১৮ গী অথেংবদা শান্নরগনি। করিগুম্বা মেটচ অসি দ্রো চৎলবসু বেয়র্ন ম্যুচেন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগনি।

য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব নাপোলি অমসুং স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী ক্লব নাপোলিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি নেপলসতা লৈবা সান পাওলো ষ্টেদিয়মদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অসি হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি।

শান্নবা হৌরকপদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখ্রবসু নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী গোল চনশিনবা ঙমহন্দনা থমখি। নাপোলিগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী বার্সেলোনাগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু মেটচকী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লৈখি।

মতম কুইনা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩০শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিনা শরুক য়ারিবা বেলজিয়ম মচা দ্রাইজ মার্টেন্সনা পিওটর জৈলিন্সকীগী মতেংনা মেটচকী অহানবা গোল চন দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বেলজিয়ম মচা দ্রাইজ মার্টেন্সনা ঙসি গোল চনখিবা অসিনা নাপোলিগী ওইনা ১২১শুবা গোল ওইদুনা টিমমেট মারেক হামসিক্কা খ্বাইদগী য়াম্না গোল চনবগী রেকোর্দ অদু মান্নহনবা ঙমখ্রে।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনিট ১৫ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অমরোমদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনসু খুদোংচাবা হেক ফংবগা গোল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনরকখ্রবসু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা গোল শোথরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা পাঙ্গলগা লোয়ননা নাপোলিগী শান্নরোইশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নদুনা লাকখি।

মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা গোল শোথরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নেলসন সেমেদোনা পীরকপা য়াম্না ফজবা ক্রোস অমদা টিমমেট ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমাননা নাপোলিগী দিফেন্দরশিং মায়থিবা পীরল্লগা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক গোল ১–১ দা মান্নদুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা য়ুম্বু টিম ওইরিবা নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। নাপোলিগী এটেকশিং অদু থিংনবা হোৎনবদা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ৩ মেটচ কন দক্ত তৌখিবা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ পীদুনা ৱার্নিং তৌখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনিটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই অরটুরো ভিদাল চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগী দবল কোসন ফংদুনা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অসি নাপোলি অমসুং বার্সেলোনা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

টিম অনীগী অনীশুবা লেগকী মেটচ মার্চ ১৮ গী অথেংবদা বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইদুনা কেম্প নৌদা শান্নরগনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভ স্মিথনা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা অমুক হন্না নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি লাওথোরকখিবা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ইন্থরল্লগা নম্বর ৱান পোজিসন দা অমুক লৈবা ঙমখ্রে।

ৱেল্লিংটন্দা ন্যু জিলেন্দগা হন দক্তা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী ইন্নিংস অনীদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি শুপ্নগী রন ২১ খক লৌবা ঙমখিবনি। মরম অসিনা কোহলি হৌজিক পোইন্ট ৯০৬ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা হন্থরক্লগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভ স্মিথনা অহানবা মফমদা কাখৎপা ঙমখিবনি।

টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন ৩ টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি। অজিনক্য রহানেনা ৮শুবা, চিটেশ্বর পুজারানা ৯শুবা অমসুং মায়াঙ্ক অগরৱালনা ১০শুবা মফম কনবা ঙম্লি।

টেষ্ট বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ওফ স্পিন্নর রভিচন্দ্রন আস্বিন্না ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট ৩ আওট তাহল্লগা রন ৯৯ পীখ্রবসু হান্না লৈরম্বা থাক্তগী মফম অমা হন্থরগা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি। টোপ টেন বোল্লরগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী বোল্লর রভিচন্দ্রন আস্বিন খক্তমক চনবা ঙম্লি। ইসান্ট শর্ম্ম ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মফম অমা হাইগৎলগা ১৭শুবা পোজিসন দা লৈবা ঙমখি।

আই সি সিনা ঙসি লাওথোরকখিবা টেষ্ট ওল রাউন্দগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং আস্বিন মথংশিৎনা ৩শুবা অমসুং ৫শুবদা লৈরি।

আই সি সি ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৩৬০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না পোইন্ট ২৯৬ ফংলগা টেবলগী অনীশুবা মফম কনবা ঙম্লি।

## ইংলেন্দগী নুপী টিম্না থাইলেন্দবু রন ৯৮ দা মায়থিবা পীখ্রে, পাকিষ্টাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে

*কেনবেরা, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা আই সি সি ৱুমেন’স টি–২০ ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী মেটচশিংদা ইংলেন্দগী নুপী টিম্না থাইলেন্দবু রন ৯৮ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা মেটচতা পাকিষ্টাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।



ইংলেন্দ অমসুং থাইলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী টোস থাইলেন দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইংলেন্দনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ২ আওট ওইরগা রন ১৭৬ লৌখি।

ইংলেন্দগী বেট্টিংনা ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবী হিথর নাইটনা বোল ৬৬ তা সিক্স ৪ অমদি ফোর ১৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা ১০৮ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৩শুবা বেটসৱুমেন নটালি স্কিভরসু আওট ওইদনা রন ৫৯ লৌরমখি।

থাইলেন্দনা মায় পাক্নবগী রন ১৭৭ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ দা বেটসৱুমেন ৭ আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ৭৮ খক লৌখিবদগী মেটচ অসি ইংলেন্দনা রন ৯৮ দা মায় পাকখি। থাইলেন্দগী বেট্টিংদা ওপনর নাট্টাকান চান্টামনা রন ৩২ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী মেটচ অমদা পাকিষ্টান্না ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৪ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজ গী বেট্টিংদা কেপ্টেন টেলর ৫শুবা বেটসৱুমেন সেমেন্না রন ৪৩ / ৪৩ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

পাকিষ্টাননা মায় পাক্নবা রন ১২৫ লৌবগী মথৌ তাখিবদা ৱিকেট ২ আওট ওইরগা ১৯শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা রন ১২৭ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি মখোয়না ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

## সনকেট, প্রসান্টনা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ থমখ্রে

*ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

ওড়িস্সাগী সিটি ভুবনেশ্বরদা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা সনকেট অমসুং প্রসান্টনা ৱেঠলিফটিং দা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ থমখ্রে।

গেমস অসিগী শরুক ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫৫ গী ৱেঠলিফটিং কম্পিটিসন্দা সনকেট মহাদেব সারগরনা পুন্না কেজি ২৪৪ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা কেটেগোরি অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌখি।


মশাগী চহী ১৯ শুরবা সনকেট সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তসু গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবনি।

নুপাগী কেজি ৬১ গী কম্পিটিসন দা প্রসান্ট সুরেস কোলিনা স্নেটচতা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। প্রসান্টনা অনৌবা রেকোর্দ অসি থমখিবগা লোয়ননা সিলভর মেডলসু লৌবা ঙমখি।

## রুশিয়াগী শান্নরোই সরাপোভা ইন্টরনেসনেল টেন্নিসতগী পোত্থারে হায়না লাওথোকখ্রে

*পেরিস, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৫ রক ফংখ্রবী লোয়ননা মমাঙদা নুপীগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী রুশিয়াগী শান্নরোই মারিয়া সরাপোভা মশান্না অসিদগী পোত্থারে হায়না লাওথোকখ্রে।



মারিয়া সরাপোভা মালেমগী নুপীগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী খঙনবা মীওই অমনি। মহাক কুমজা ২০১৬ গী ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন চথরিঙৈদা দোপ টেষ্টতা ফেল ওইবদগী থা ১৫ মশান্না অসিদগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

অথিংবা মতম লোইখ্রবা মতুং মখা তানা মহাক্না মশান্না অসিদা শরুক য়ারকপদা ৱিম্বলদন্দা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি। ৱিম্বলদন্দা নত্তনা য়ু এস ওপন অমসুং চহী অসিদা পাঙথোকখিবা অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদসু ঙন্না লৈহৌখিবনি।

মারিয়া সরাপোভা মশাগী চহী ১৭ শুরকপা কুমজা ২০০৪ দা অহানবা ওইনা ৱিম্বলদনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইখিবা অসিনা চহী খ্বাইদগী নৌবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অহুমশুবা ওইখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা কুমজা ২০০৫ দা অহানবা ওইনা নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখি। মথং চহীদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটলসু লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০০৭ দা সরাপোভা পাম্বোমগী অনাবা অমদগী মতম কুইনা লায়েংদুনা লৈখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৮ দা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন শরুক য়াবদা মহাক্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং মহাক্কী পাম্বোমগী অনাবা অদু অমুক হৌরকপদগী য়ু এস ওপন অমসুং বৈজিং ওলেম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙমখিদে।

সরাপোভা কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৪ দা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটলশিং লৌবা ঙমখি। মহাক্কী কেরিয়রদা দব্লিয়ু টি এ টাইটল ৩৬ লৌবা ঙমখি।

টেন্নিসনা ঐগী থৱাইনি, টেন্নিসনা ঐবু থৱাই হাপ্পীবনি। ঐগী টিম, কোচশিংবু মতম পুন্নমক্তা নীংশিং দুনা লৈরগনি। মহাক্কী অপোকপগা প্রেক্টিষ্ট কোর্ট বেপ্ঞতা ফমিন্নখিবশিং অদু কাউথোকপা ঙম্লরোই হায়না মারিয়া সরাপোভানা নুংঙাইতবা উৎলদুনা পোত্থাবগী ৱাফম লাওথোকপদা ফোঙদোকখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৪১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | E | D | S | ■ | F | R | A | N | C | ■ | A | C | A | D |
| I | N | R | I | ■ | R | E | B | E | L | ■ | Z | O | N | E |
| M | O | O | N | ■ | O | L | I | V | A | ■ | U | V | E | A |
| E | S | P | ■ | A | M | A | T | ■ | S | H | R | E | W | D |
| ■ | ■ | S | A | S | S | Y | ■ | ■ | S | U | E | R | ■ | ■ |
| H | I | T | S | A | T | ■ | S | K | I | M | ■ | O | B | I |
| U | G | H | S | ■ | E | T | H | I | C | ■ | A | N | O | N |
| F | L | E | E | ■ | M | O | A | T | S | ■ | R | E | I | N |
| F | O | S | S | ■ | T | I | G | H | T | ■ | E | S | S | E |
| Y | O | U | ■ | P | O | L | S | ■ | R | E | N | T | E | R |
| ■ | ■ | B | R | A | S | ■ | ■ | S | U | G | A | R | ■ | ■ |
| A | D | J | U | S | T | ■ | P | O | G | O | ■ | A | L | B |
| P | O | E | T | ■ | E | W | I | N | G | ■ | S | C | A | R |
| E | T | C | H | ■ | R | E | N | A | L | ■ | O | K | R | A |
| S | E | T | S | ■ | N | I | T | R | E | ■ | P | S | S | T |

## ওষ্ট্রেলিয়াগী পিয়র্স অমসুং ভেনস দুবাই ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এ ইগী সিটি দুবাইদা চথরিবা দুবাই ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র জোন পিয়র্স অমসুং মাইকেল ভেনস নুপাগী দবলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র জোন পিয়র্স অমসুং মাইকেল ভেনস নম্বর ৱান সিদ্দেদ পেয়র য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং বৃটেনগী সালিসবরিবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদ্দেদ সভিয়াগা নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্রেবরবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খাচানোভকা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়াগী কারেন খাচানোভনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী দি নোভাকপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী সিটসিপাসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুফকা লম্বা তৌনরগনি। গ্রিসকী সিটসিপাসনা কজাখষ্টানগী বুব্লিকপু ৭–৬(৭–১), ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা জর্মনিগী ষ্ট্রুফনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা জিওর্জিয়াগী বাসিলাসভিলিবু ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ রুশিয়াগী শান্নরোই এন্দ্রি রুব্লেব অমসুং গ্রেট বৃটেনগী দি ইভান্স শান্নরগনি।

৭শুবা সিদেদ রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু ৭–৬(৭–৩), ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বৃটেনগী ইভান্সনা ফ্রান্সকী হরবার্টপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ৩–৬, ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## চাইনা য়াওনা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তুগী লৈবাক ৬ তোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনাদা য়াম্না শাথিরবা লাইচৎ কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদগী য়ুমথংননা লৈরিবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী মার্চ ১৫ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা চাইনা য়াওনা লৈবাক ৬ তোকখ্রে।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ৱার্ল্ড কপ অসিদা কয়ামরুম শরুক য়াগদবনি। অদুবু কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা মখোয় হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লাক্কনি হায়বগী পাউদি হায়বা ঙমদ্রি হায়না নেসনেল রাইফলস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) গী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিং হনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াররোই হায়না পাউ পীরকখ্রবা লৈবাকশিং অদুদি চাইনা, টাইৱান, হোং কোং, মেকাউ, নোর্থ কোরিয়া অমসুং টুর্কমেনিষ্টাননি।